## ৱার্কর ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ককচিং, ফেব্রুৱারী ২৬(ঐচ এন এস):
রাজষ্ট্রিয়া প্রসিকসান অভিয়ানগী মখাদা বি জে পি খাঙবোক মন্দলনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা বুথ লেভেল ৱার্করস ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা খাঙবোক ময়াই লৈকাইদা লৈবা মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিডেন্ট বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী ভাইস প্রসিডেন্ট টি ঐচ জাদুমণি, এস ঐচ শান্তিকুমার, ঐচ বোরবাবু, পার্টিগী চীফ স্পোক্স পার্সন এস টিতেন অমসুং বি জে পিগী নেসনল ভাইস প্রসিডেন্ট এ সরদানা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মণিপুরদা লৈরিবা মন্দল ২৭৯৪ অসিদগী মেম্বর ৫/৫ খনগৎলগা নিংথিনা ট্রেন তৌরিবা পার্টি ৱার্কর লিশিং ১৫ এপ্রিল ফাওবগী মনুংদা পুথোক্তুনা পার্টি অসিগী কান্নবা কয়া অদু মীয়ামদা খঙহন্নবা পান্দমদা ট্রেনিং প্রোগ্রামশিং অসি মন্দল মন্দলদা পাঙথোক্লিবনি হায়রি।

## ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬(ঐচ এন এস):
অসামগী জারিবোন্দ বামোন লৈকাইদা ইবুধৌ পাখঙবা লিক্লম কনবা লূপ অসাম ব্রাঞ্চকী অহুমশুবা কুমওন থৌরম লাক্লিবা মার্চ ২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা শরুক য়ারুনবগীদমক লূপ অসিগী চিয়রমেন ওক্রম লৈশেম্বনা লুচিংদুনা সোরোজিনি লৈমা অমসুং প্রিয়োজিৎকা লোয়নন্না ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

থৌরম অসিদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমর্দীগী লাকপা মীওইশিংশু শরুক য়াগনি হায়রি।

## শা-ষন তিকা থাখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬(ঐচ এন এস):
তনিং ডিভলপমেন্ট ক্লব ময়াংলাংজিং, জোইন্ট ডিরেক্টর ভেটিরিনেরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি ডিপার্টমেন্টকী ইম্ফাল ৱেষ্টকী জোইন্ট ডিরেক্টর অমসুং ফুল্লৌ ভেটিরিনেরি ডিস্পেন্সরিনা পূন্না শিন্দুনা থা অসিগী ২৪ দা শা-ষনদা নারক্কদবা লায়নদগী ঙাকথোক্লবা এফ এম দি ভেক্সিন শা-ষন ১৫০ রোমদা কাপথোকখ্রে হায়রি।

## খোঙজং লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬(ঐচ এন এস):
পোষ্টেল ডিপার্টমেন্ট গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা থবক তৌরিবা গ্রামিন দাক সেবক ইমপ্লোয়িশিংনা চথুরকপা অমুবা বেজ থেৎতুনা চথুরকপা খোঙজং থা অসিগী ২৪ দা লোইশিনখ্রে হায়না ওল ইন্দিয়া গ্রামিন দাক সেবক য়ুনিয়ন মণিপুর ডিভিজন এন ই সর্কলনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

জি ডি এস কম্মিটিগী রিপোর্ট অদু থুনা চৎনহন্দুনা ইমপ্লোয়িশিংগী সার্ভিস কন্দিসন অমদি পে ষ্ট্রকচর ফংহন্নবা ইন্দিয়াদা লৈরিবা জি ডি এস ইমপ্লোয়ি লাক্ষ ২.৬৩ রোম্না চথুখিবা খোঙজং অসিদা মণিপুর ডিভিজনগী মখাদা লৈরিবা ইমপ্লোয়ি ১৮০০ না শরুক য়াখি হায়রি।

## সেমিনার পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬(ঐচ এন এস):
প্রজাপিতা ব্রহ্ম কুমারীস ঈশ্বরিয়া বিশ্ব বিদ্যালায়া ইম্ফালনা শীন্দুনা রোল ওফ ৱিমেন ইন ইষ্টাব্লিসিং এ হেপি এন্দ হেল্থী সোসাইটি হায়বা থিমদা নুপীশিংগী ওইবা সেমিনার অমা ঙরাং থাঙ্গাল বজারদা লৈবা ধর্ম্মসালাদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চ্যেরপার্সন ডো. কে সোবিতানা হায়খি, সেমিনার অসি মতম অসিগা য়াম্না চুনবা থিমদা পাঙথোক্লি। চাউখৎলকপগী ঈচেলদা হান্নগী ওইবা চৎনরোল কয়া নাথৈরগা ঐখোয়গী কলচর খজিত্তৎ কাউথোক্লবদগী অৱাবা কয়া তারকপা অসিদা নুপীশিংনা লৌগদবা থৌদাংশিং খঙহন্নবগী তাঞ্জা অমনি। নুপী হায়বসি ইমুং অমগী মমানি, মচেনি, মচলনি।

মণিপুর অসি মালেমদা নুপীগী ইম্পাৱরমেন্টকীদমক্তদি সিম্বোলনি হায়না হায়নিংই। শান্নবগী লম্দা ওইরবসু রাজ্য সভাগী মেম্বর মেরি কোম লৈরি। আই এ এস ওফিসর কয়াসু লৈরে। এৱেয়রনেস কয়া অমা পীবা তঙাইফদে। ব্রহ্ম কুমারীনা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি য়াম্না মরুওইবা অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটকী চ্যেরপার্সন সুমতিবালা নিংথৌজমনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। ৱিমেন এন্দ ক্রাইম জর্নেলগী এদিটর রোবিতা, রাজযোগীনি ব্রহ্ম কুমারী রাধা, ব্রহ্ম কুমারী মণিপুরগী ইন-চার্জ রাজযোগীনি ব্রহ্ম কুমারী নিলিমাসু ৱাঙাংখি।

# হিষ্টৌরিক ভিক্টরি ওফ কম্যুনিষ্ট ইন নেপালগী থৌরম ইরাবত ভবনদা পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৬ (ঐচ এন এস) :
এজিটেসন এন্দ প্রোপেগন্দা ডিপার্টমেন্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা শিন্দুনা হিষ্টৌরিক ভিক্টরি ওফ কম্যুনিষ্ট ইন নেপালগী থৌরম ঙসি নুংথিল বি টি রোডতা লৈবা ইরাবত ভবন্দা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ডা: এন নরা সেক্রেটরি এম এস সি/সি পি আই, এল থোইরেন ডেপ্যুটি সেক্রেটরি এম এস সি/সি পি আই, সেক্রেটরিয়েট মেম্বর এল লালানা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ৱাঙাংবদা ডা: এম নরানা হায়খি, নেপাল কম্যুনিষ্ট পার্টিনা মখোয়গী ইলেক্সনদা মায় পাক্লকপা অসি হৌজিক্কী লৈরিবা কনটেক্স অসিদা খজিক্তং নৈননিঙাই ওইবা তাঞ্জা অমা ওইবগীদমক ঙসি অসি মায় পাকপগী নুংঙাইবা ফোঙদোকপা ওইনা য়াম্না চম্না থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

হৌজিক্কী ওইবা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিষ্ট মুভমেন্টকী তাঙ্কক অমনি হায়না হৌজিক ইন্দিয়াদা লাক্লিবা লৈঙাক, অমেরিকাদা লাক্লিবা পোলিটিকেলগী অহোংবা অমদি মালেমদা মরাই হাইগৎলকপা তাঞ্জা অমদা মরু ওইনা ইন্দিয়াদা কম্যুনিষ্টকী ওইবা লাইনিংগী অমসুং তোখাই তাবশিংগী মপাঙ্গল কনখৎলকপগী ঈহৌ অমা লাকপা অসিদা নেপালদা করি থোক্লিবগে হায়বসি থোইদোক হেন্দোক্লা শুর নোম্লগা হিংলিবা ইন্দিয়াগী মীয়াম্না নৈনফম থোকই। ইন্দিয়াগী লৈরিবা প্রোব্লেমশিং, পোলিটিকেলগী ওইবা পন্দুপ অসি নেপালদা ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মমি খরদি তাফম থোকই। নেপালদসু ইন্দিয়াদা লৈরিবা অসুম্না কম্যুনিষ্ট পার্টিগী ফেক্সন খরা লৈ অদুবু অনৌবা ফিভম অমদা খুমাং চাওশিল্লকপা ওইনা মপাঙ্গল কনবা রিভোলুসনরি ওইবা ফোর্সশিং পুনশিল্লগা হন্দক্কী নেপালগী ইলেক্সন অসিদা মাইপাকখিবনি। তোঙান তোঙান্না থেংনরম্বা লেফ ওইবা পার্টিশিং পুনশিল্লগা এলাইয়েন্স অমা শেল্লগা মেজর পার্টি ওইরিবা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ নেপাল মাক্সীস অমসুং কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ নেপাল (মাওইষ্ট) অসি এলাইন্স শেল্লগা পুন্না মীখল থেংনমীন্নবগা লোয়ননা পার্টি অনি অসি অমত্তা ওইবা হায়না য়ান চেরোল অমগী মনুং চন্না মীখল থেংনখিবনি।

অসিগুম্বা ফিভম অসিদা মীয়ামগী থাজবা হেল্লকপা অমদি নেপালদা হৌজিক চৎনরিবা মমাংগী ইলেক্টোরেল সিষ্টেম অসিদগী অনৌবা সিষ্টেম অমা হোংবগুম তৌরকপা অসিনসু ওইরি হায়খি।

নেপালদা লাকখিবা ফিভম অসি য়াম্না চাওবা অহোংবা অমনি। কম্যুনিষ্টশিং পূল্লগা থেংনরগদি এসেমব্লিদা অমসুং পার্লিয়ামেন্টতা কম্যুনিষ্টকী মীহুৎ য়াম্না থাগৎপা ঙমগনি হায়বসি নেপালদা ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা তাকই। নেপালদা পুরক্লিবা অওনবা পান্দম অসি মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী ওইনসু ওইরক্কনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# লেনিনদা অরাম্বম ইবুংঙোহল অমদি বিনোদকুমারী এৱার্দ লান্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬(ঐচ এন এস):
পেট্রিওটিক্স রাইটর্স ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা ঙরাং মণিপুর প্রেস ক্লবকী হোলদা অরাম্বম ইবুংঙোহল এন্দ বিনোদকুমারী লৈখিদবগী কুমওন পাঙথোকখিবগা লোয়ননা অইবা লেনিন খুমনচাদা অরাম্বম ইবুংঙোহল এন্দ বিনোদকুমারী লিটরেরী এৱার্দ ২০১৭ লান্থোকখ্রে।

অরাম্বম মেমে অমসুং ডো. সরতনা কৎলকপা অরাম্বম ইবুংঙোহল অমসুং বিনোদকুমারী লিটরেরী এৱার্দ ২০১৭ অসি অইবা লেনিন খুমনচাগী শৈরেংগী লাইরিক *মতমগী মঙলান* দা পীখিবনি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা পেট্রিওটিক্স রাইটর্স ফোরম মণিপুরগী সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেমনা হায়খি, পেট্রিওটিক্স রাইটর্স ফোরমনা তোঙান-তোঙানবা থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অরাম্বম ইবুংঙোহল অমসুং বিনোদকুমারী লিটরেরী এৱার্দসু অইবা কয়াদা পীদুনা লাকখিবনি। কুমজা ২০১৭কী ওইনা এৱার্দ অসি অইবা লেনিন খুমনচাদা পীখিবনি। অরাম্বম ইবুংঙোহল অমদি বিনোদকুমারী লৈখিদবগী কুমওন থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা লিটরেরী এৱার্দ অসিসু পীদুনা লাকখিবনি।

কুমজা ১৯০০ দা সগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তা পোকখিবা অরাম্বম ইবুংঙোহল মীয়াম্না হাও সাহেব হায়নসু খঙনখি। ইবুংঙোহলগী অপোকপা অমদি অপোকপীদি অরাম্বম অমুবা অমদি রাজকুমারী বোরসনানি। অরাম্বম ইবুংঙোহল মতম শাংনা জোনষ্টোন স্কুলদা ওজা ওইদুনা হেদমাষ্টর ফাওবা ওইরম্মী। কুমজা ১৯৩৩ মণিপুরগী নিংথৌ সুরচান্দ্রনা ইবুংঙোহলবু এসিষ্টেন্ট টু দি প্রসিদেন্ট মণিপুরী ষ্টেট দরবার ওইনা থবক পুহনখি।

চহী ৩৫ মখাদা লৈবা মণিপুরী শৈরেং ইবশিংদা পীবা অরাম্বম ইবুংঙোহল অমসুং বিনোদকুমারী লিটরেরী এৱার্দ ২০১৭ অসি লেনিন খুমনচাদা খুৎশিন্নবনি। *মতমগী মঙলান* হায়না মিংথোনবা শৈরেংগী লাইরিক অসিদা পীবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী হেদ প্রো. নহাকপম অরুনানা চীফ গেষ্ট, পেট্রিওটিক্স রাইটর্স ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট য়াইস্কুল খ্বাইরাকপমনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। স্লোপলেন্দ পব্লিক স্কুল খোংজোমগী ফাউন্দর নহাকপম বাবুলিন অমদি জেনিথ একাদেমি ইম্ফালগী ফাউন্দর ডো. এস মনাওতোননা স্পেসল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

# আই এস সি সিনা এগজাম সেন্টর ৯ য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৬ (ঐচ এন এস) :
হৌজিক চথুরিবা কোসেমনা লৌবা ক্লাস টুয়েল্ভ এগজামগী হুমনি চনবা নুমিৎকী ফিজিক্স অমদি পোলিটিকেল সাইন্স থোকপা নুমিৎতা আই এস সি সিগী থৌমীশিংনা এগজাম সেন্টর ৯ দা য়েংশিনখ্রে।

ইন্দিজিনস ষ্টুডেন্টস কো ওর্দিনেসন কম্মিটি (আই এস সি সি) মণিপুরনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না, কম্মিটিগী থৌমীশিংনা ঙসি য়েংশিনখিবা সেন্টরশিং অদুদি, ককচিং খুনৌ কোলেজ, হৈরোক হায়র সেকেন্দরি স্কুল, লিলোং হায়র সেকেন্দরি স্কুল, টাইনি টোটস স্কুল, ইবোতোনসনা হায়র সেকেন্দরি স্কুল, রোয়ল একাদেমী ওফ সাইন্স, ঐচ আর দি ঘরি, নম্বোল হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমসুং কুম্বী কোলেজ অসিনি।

হৈরোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা কা হেনবা মওংদা নত্তবা পাম্বে শিজিন্নদুনা এগজামিনেসন চথরমখি। সেন্টর অদুদা তারিবা ওজাশিংনা মহৈরোইশিংদা নমথোক্লবা পাউখুম য়াওবা চেবাংশিং য়েল্লম্বা থেংনখি হায়না মরাল শিরি।

মতম কুইনা মুৎলুরবা খোংবান চেনবগী চৎনবী হৈরোক সেন্টরদা আই এস সি সিগী থৌমীশিংনা নৌহৌননা থেংনখি। লোয়ননা এগজাম হোল মনুংদা মোবাইল পুশিল্লম্বা ইনভিজিলেটরশিংসু উরকখি হায়রি।

মখা তারদুনা চেরোল অসিনা হায়, ইবোতোনসনা হায়র সেকেন্দরি স্কুলদসু মহৈরোইশিংদগী পাওখুম য়াওবা চেজেৎ খরা ফাগৎখি। অতোপ্পা লেমহৌরিবা সেন্টরশিংদা য়াম্না ঈংনা-চিক্লা এগজাম থাবা থেংনরকখি হায়রি।

# ঐচ টি টি আইদা ৱার্কশোপ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬(ঐচ এন এস):
টিচরস ট্রেনিং য়ুনিট ইন্সটিট্যুট (ঐচ টি টি আই), এস সি ই আর টি, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শিন্দুনা ডিভলপমেন্ট ওফ ষ্টডি মেটিরিয়েল ফোর সম্ভেন সবজেক্ট ওফ দি ন্যু সেলেবস ওফ দি এল আই ই দি (হিন্দি) কোর্সকী নুমিৎ ২০ চথুগদবা ৱার্কশোপ ঙসি ডি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা ই দি য়ু এস এ টিগী হোলদা হৌদোকখ্রে।

ৱার্কশোপ অদু হৌদোকপগী থৌরমদা হিন্দি টিচরস ট্রেনিং ইন্সটিট্যুট (ঐচ টি টি আই) গী সুপরেন্টেন্দেন্ট ঐচ প্রমোদা, ঐচ টি টি আইগী প্রিন্সিপাল এল গম্ভির অমদি এস সি ই আর টিগী জোইন্ট ডিরেক্টর অমসুং প্রোগ্রাম কো ওর্দিনেটর এস অনন্দিনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এস অনন্দিনা হায়খি, রাইট টু এডুকেসন এক্ট ২০০৯ লাকপদগী ক্লাস ১ দগী ৮ ফাওবগী মহৈ মশিং তম্বীগদবা ওজাশিং অসি সেন্ট্রেল ওথোরিটিনা ওথোরাইজ তৌবা, একাদেমীক ওথোরিটি অমনা পীবা মিনিমম লেভেল ওফ ক্বালিফিকেসন অসি চৎনগদবনি হায়বা ফিভম অমা লাকপদগী ডিষ্ট্রিক্ট ৯ দা দি আই ই টিনা ট্রেনিং পীদুনা লাক্লি। চহি ২ গী ডিপ্লোমা ইন ইলিমেন্টরি এডুকেসনগী ট্রেনিংসু পীদুনা লাক্লি। অসুম্না হিন্দি ট্রেনিং ইন্সটিট্যুট অসিদসু এন সি টিনা কুমজা ২০১৬ তা ডিপ্লোমা ইন ইলিমেন্টরি এডুকেসনগী ক্লাস তৌনবা মিসন গ্রান্ট পীরখ্রে।

# চাইল্ড ট্রাফিক্কিং থেংননবা অমসুং থীংনবগী ড্রাফট মণিপুর ষ্টেট প্লান ওফ এক্সন খুদোল তৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬: মণিপুর গভর্ণমেন্টগী দিপার্টমেন্ট ওফ সোসল ৱেলফেয়রদা ড্রাফট মণিপুর চাইল্ড রাইটস পোলিসি অমা সবমিট তৌখ্রে মতুংদা চাইল্ড রাইটস এন্দ য়ু (সি আর ৱাই) কোলকতা অমসুং মণিপুর এলাইএন্স ফোর চাইল্ড রাইটস (এম এ সি আর) না "অঙাং ললোনবা অমসুং থীংনবগী ড্রাফট মণিপুর ষ্টেট প্লান ওফ এক্সন" অমা খুদোল তৌখিদুনা অতোপ্পা মরু ওইবা খোঙথাং অমা লৌখৎখ্রে।

ড্রাফট এক্সন প্লান অদু ঙরাং ইম্ফাল হোটেল, বাই ক্লাসিক, ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা ইন্টরএক্সন অমদা অহানবা রাউন্দগী খন্ন- নৈনবা চথুনবগীদমক্তা সি আর ৱাই, কোলকতাগী এসোসিএট জেনরেল মেনেজা অশিমকুমার খোশনা হৌনবী মতুং ইন্না খুদোল তৌখি। মণিপুর সোসাইটিগী অশোনবা সেক্সন অমগী মায়োক্তা চথবা শাথিরবা ওর্গনাইজ ক্রাইম অমা ওইনা ফিভম হোঙদুনা ড্রাফট এক্সন প্লান অসি পুথোকপনি। অঙাংশিংবু কৈদৌঙৈদসু প্রোপর্টি, ললোনপোৎ নত্রগা খোঞ্জেল থোক্ত্রবা লান্মীশিংগা পাঙখক ওইনা লৌরোয়দবনি। মখোয়সু মীওইবগী হকশিং লৈফম থোকপা মীওইবনি" হায়না ইন্দিয়াগী অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংগী মরক্তা অদুগুম্বা মখলগী অহানবা ওইগদৌরিবা ড্রাফট এক্সন অদু পুথোক্লদুনা অশিম কুমার খোশনা হায়খি।

এক্সন প্লান অদুনা সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টদা নত্তনা পুলিস, এদ্যুকেসন, লেবর, মেদিকেল, চাইল্ড রাইটস কম্মিসন, দি সি পি য়ুশিং, এম এস এল এস এ, এন জিওশিং, সি দব্লিউ শিং, জেজেবিশিং অসিনচিংবা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিং, ষ্টেক হোল্ডরশিং অমসুং রাইটস বোদিশিংগা কোওপরেসন পীনদুনা চাইল্ড ট্রাফিক্কিং থেংননবা অমসুং অসিগুম্বা থৌদোক্তগী নান্থোকহৌবশিংবু মহৌশাগী পুন্সিমরেলদা হঞ্জিনহন্নবগী লোয়ননা অসিগুম্বা পুম্নমক থীংনবগী অকুপ্পা গাইদলাইনশিং প্রপোজ তৌখি। এক্সন প্লান অদুদা জোব প্লেসমেন্ট এজেন্সিশিংবু তঙাই ফদনা রেজিষ্টর তৌহন্নবা অমসুং মখোয়গী থবক থীরিবা অঙাংশিং অমসুং নহা ওইরিবা মীওইশিংগী খুদোংথীবা নংলোইদবা মওংগী মাইগ্রেসন এরেঞ্জমেন্ট লৈহন্নবা, মিদিয়াবুসু মণিপুরগী ৱাংমদা থবক তৌনবা নহা ওইরিবা কেন্দিদেটশিং কৌরিবা রেজিষ্টর তৌদবা ফার্মশিংগী এদভর্টিমেন্টশিং ফোংহন্দনবসু তকশিনখি। খন্ন- নৈনবা মনুংদা ৱা ঙাঙলদুনা এম এসি আরগী কনভেনর মোনতু অহন্থেমনা হায়খি মদুদি, ড্রাফট এক্সন প্লান অদু অকুপ-অপাশিং য়েংশিন্নবা অমসুং য়াম্না থুনা ওফিসল ষ্টেট এক্সন প্লান অমা ওইনা লাওথোকহন্নবগীদমক্তা মণিপুর গভর্ণমেন্টগী সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টদা হৌনবী মতুং ইন্না সমমিট তৌরগনি হায়খি।

# নোংমগী ওইবা ফ্রি হেল্থ মেডিকেল কেম্প কম লেবরস এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬(ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর মেনপৱার অপলিফটমেন্ট সেন্টর এ এম এম য়ু সি অমসুং য়ু এল পি ও কিয়ামগৈ (এ এম এম য়ু সি, আই/ই) না পুন্না শিন্দুনা ফ্রি মেডিকেল কেম্প কম লেবর এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম অমা ঙরাং কিয়ামগৈ হৈবোং মখোং লাইরম ৱাংমা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কৈরাও মকতিংগী জেদ পি দেলিনা বেগম, এ এম এম য়ু সিগী প্রসিডেন্ট এস বিমোলচন্দ্র এডিটর্স গিল্ড মণিপুরগী প্রসিডেন্ট এ মোবি, এম এ কে পি এ এলগী প্রসিডেন্ট এল মেন্মা, সোসল ৱার্কর টি ঐচ দিজেন্দ্রো, মণিপুর এপেক্স ৱিভর এন্দ হেন্দিক্রাফ কো ওপরেটিপ সোসাইটিগী বোর্দ ডিরেক্টর এস ভুবন অমসুং করাম সন্ধিয়ানা চীফ গেষ্ট, প্রসিডেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইনা শরুক য়াখি। ওল মণিপুর বিল্ডিং কন্সষ্ট্রক্সন এন্দ ওর্দর ৱার্কর য়ুনিয়নগী জোইন্ট সেক্রেটরি এস বিরমনিনা ৱার্করশিংগী অমসুং আই এফ এমগী এসিটেন্ট সেক্রেটরি কে ঐচ গোপেন্না ফার্মরগা মরী লৈননা ৱা ঙাংখি। এস ভুবন্না ৱিভরস আই দি কার্দ শাবগী মতাংদা অমদি শিন্নীশিংনা ফংবা য়াবা কান্নবা কয়াগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

এ এম এম য়ু সিগী জেনরেল সেক্রেটরি আরবিন খুরাইজম্না থৌরম অদুগী নুংগী ৱারোল পীরদুনা হায়খি, শুবা নোম্বা কনবা, শুবদা চিংহাও থিদবা, মশা-মউ ফবা, অনা-অয়েক য়াওদবা শিন্নীশিং লৈরবা মতমদা খুন্নাই অসি চাওখৎপা, ৱাত্ত-পাদবা, শেন্নীৎলোন্দা মীপাল তাংদবা ইরমদম অমা ওইবা ঙমগনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ইবোয়াইমা হোস্পিটাল এন্দ রিসর্ছ সেন্টরগী অখন্নবা টিম অমগা খুৎশম্নদুনা ফ্রি মেডিকেল কেম্প অমসু পাঙথোকখি। মেডিসিন, ই এন টি আই অমসুং সর্জরিনচিংবগী মরমদা শিন্নী ১৫০ রোম লায়েংখিবগা লোয়ননা হীদাক লাংথকশু লেম্না য়েন্থোকখি। মীওই ৫০ দা ৱিভর আইদি কার্দ অমসুং মীওই ৫০ দা কন্সট্রক্সন ৱার্কর আই দি কার্দ য়েন্থোকখি হায়রি।

# নোংমগী ওইবা সেমিনার পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৬ (ঐচ এন এস) :
মণিপুর ইনষ্টিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এম আই টি) অমসুং বাইওদাইভর্সিটি ইকোলোজি এন্দ ইনভাইরনমেন্ট নেটৱার্ক মণিপুর (বি ঈ ঈ এন ঈ টি) অনীনা পূন্না শীন্দুনা 'নেসনল কেপিটেল ফোর লোকেল ইকনোমিক্স হায়বা হীরমসিদা নোংমগী ওইবা সেমিনার অমা ঙরাং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সীগী কোর্ট হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা প্রোফেসর অদ্যা প্রসাদ পান্দে, ভাইস চাঞ্চেলর মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা চীফ গেষ্ট; প্রোফেসর এন রাজমুহোন সিংহ দীন, স্কুল ওফ মেথমেটিকেল এন্দ ফিজিকেল সাইন্সেস, এম য়ু এন্দ ভাইস প্রসিদেন্ট বি ঈ ঈ এন ঈ টি মণিপুরনা প্রসিদেন্ট অমসুং প্রোফেসর আর কে হেমাকুমার সিংহ ফোর্মর দীন, ষ্টুদেন্ট ৱেলফ্যের এন্দ প্রিন্সিপাল এম আই টি, মণিপুরনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইদুনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা প্রোফেসর অদ্যা প্রসাদ পান্দেনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুর হায়রিবা ষ্টেট অসি নেচরনা বাইওরিছোর্স মরাং কায়না পীবা মফম অমনি। অসিগুম্বা বাইওরিছোর্স ময়াম অসিবু ঐখোয়না মেথদ কয়া শেমদুনা কন্নবা হোৎনগ-দবনি। বাইওরিছোর্স কনবা হায়বসিনা ঐখোয়গী ইথৌ ওইগদবনি হায়খি।

অসুম্না সেমিনার কয়া পাঙথোক্তুনা মীয়ামদা এৱেয়রনেস পীদুনা ইনভাইরনমেন্টপু কন্নবা হোৎনগদবনি। অমসুং নেচরগী পোৎথোক-শিং অসিবু অচুম্বা লম্বীদা শীজিন্নবা তারবদি নেচরবুসু শোকহল্লোই হায়খি। মহাক্না মীয়ামদা হায়, ঐখোয় মীওইবা খক্তনা বাইওদাইভর্সিটি অসিবু কনবা ঙমগদৌরিবনি। অদুনা মসিবু অচুম্বা লম্বীদা শীজিন্ননবা মীয়াম খঙনবা সেমিনার পাঙথোকপা মথৌ তাই। ঙসিগী সেমিনার অসিনসু ইনভাইরনমেন্ট কন্ননবগী অচুম্বা লম্বীশিং পীগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না মখা তাখি।

থৌরম অদুদা রিছোর্স পর্সন ডো. কে সোবিতা, চেরপর্সন, মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন; প্রোফেসর দব্লিয়ু বিশ্বনাথ দীন, স্কুল ওফ লাইফ সাইন্সেস, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি; প্রোফেসর পি কুমার সিংহ, ডিপার্টমেন্ট ওফ লাইফ সাইন্সেস, এম য়ু অমসুং ডো. এন পেমানন্দা সিংহ এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর সিভিল এঞ্জিনিয়রিং ডিপার্টমেন্ট এম আই টিসু শরুক য়াখি।

# য়ুম্নাম খুনৌ জুনিয়র হায়স্কুল শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি২৬(ঐচ এন এস):
নৌনা শাখিবা য়ুম্নাম খুনৌদা লৈবা জুনিয়র হায়স্কুল ঙরাং শঙ্গাবগীথৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

স্কুল শঙ্গাবগী থৌরমদা মণিপুর লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন (এস), এম এম এগী দিরেক্তর থোকচোম কিরনকুমার আই এ এস, ইম্ফাল ইষ্টকী অধক্ষ্য পি বিমোলা, রিটায়র্দ সী দি পি ও ইম্ফাল সিটি থাংজম মোহিন্দ্রো, বি জে পি মণিপুর প্রদেশ, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট কামিনিনচিংবনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

স্কুল অসি মমাং চহী ২০১৬ গী জন্যুৱারিদা থোকখিবা য়ুহা হাবগী থৌদোক অমদা অমাঙ-অতা থোকখিবনি। স্কুল অসিগী ওজাশিংনা কন্না হোৎনদুনা স্কুলগী ভেরেন্দাদা ফক্লোং খাজিন্দুনা ক্লাস চথুদুনা লাকখিবনি। ইচমগী হান্নগী প্রসিদেন্ট নোংথোম্বম রাজেন্দ্রোনা অমদি লৈকায়গী মীয়ামগী অচৌবা তেঙবাংগা লোয়ননা অনৌবা স্কুল বিল্ডিং অসি শাবা ঙমখিবনি।

স্কুল শঙ্গাবা অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা টিঐচ কিরনকুমারনা ফোঙদোক-খিবদা, স্কুল হিংহনবা হায়বসি স্কুল ওজা, মহৈরোয় অমদি গর্জিয়ানশিং খক্তনা য়াবা নত্তে। অকোয়বগী অমদি লৈঙাক্কী চাউরবা থৌদাং লৈ হায়খি।

# আর পি এফকী প্রসিদেন্টনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

*ঙরাংগী মখা...*

ঐখোয়না থাজে মদুদি ইন্দিয়ানা মণিপুরবু নমদুনা লৌশিনখিবা মতমদগী ময়াং লান্মীশিংনা খুৎলিংদুনা মখোয়গী শুকনমদা ঐখোয়বু লাংগোয় চন্দুনা থল্লক্লিবা অসিদা তাকপদি, মণিপুরগী নিংতম্বা অসি ইন্দিয়াগা ইরাই-লাইনা ৱারী শান্নরগা ৱারোইশিন পুরকপা য়ারোই। মরম অসিদগী ঐখোয়না খুৎলাই পায়বা য়াওল ঈহৌগী লাঞ্জং অসি অচেৎপা ৱাশক্কা লোয়ননা চঙশিল্লকখিবনি অমসুং মসি কৈদৌনুংদসু হন্দাক্লরোইদবা খোঙফমনি হায়রি।

মতাং অসিদা ঐখোয়না ইন্দিয়াবু থেংননবগীদমক ৱেসিয়া লমদমগী মনুংদা লৈবা নমথবিরবা মীয়ামগী পাঙ্গলবু অপূনবা পাঙ্গল ওইহনবতা নত্তনা ইন্দিয়াগী য়েক্লবা ওইবা য়ুমথংনবা লৈবাকশিংগী পাঙ্গলসু ঐখোয়গী মায়কৈদা চিংশিন্দুনা য়াওহনগনি। নোংম নত্রগা নোংমদি ইন্দিয়াগা অকনবা লান অমা থোরকপা য়াই হায়না কন্না লানগী থৌরাং তৌনরিবা পাকিস্থান অমসুং ঙমখৈ শেংদোক্লবগী শোক্ল রক্কদৌরিবা চিনাগী লান খক্ত নত্তনা অকোয়বদা লৈরিবা লৈবাকশিংগা নোংম নোংমগী মথি ফোংনদুনা মুক্লবা হেনগৎলক্লিবা অসি য়েংলুরগা ইন্দিয়া অসি নোংমদি হায়রিবা লৈবাকশিং অসিনা ফৈজে চিংলক্লগনি। হৌজিক হৌজিক থোক্লিবা মালদিবসকী লৈবাক মনুংগী ওইবা ৱাথোক্তা ইন্দিয়ানা খুৎ থিংজিন্নবা হোৎনরুবদগী ফোঙনা ইন্দিয়া অসি মখোয়গী খ্বাইদগী চাওবা য়েক্লবনি হায়না ফাওবা ফোঙদোরক্লিবা অমদি দোকলাম থৌদোক্কী মতুংদা ইন্দিয়ান আর্মীগী চীফ বিপিন ৱৱতনা অফগনিস্থান য়াওনা নেপাল, ভুতান, ম্যান্মার, বংলাদেস অমদি শ্রী লঙ্কা মখোয়গী মীচংদা লেংদনা লৈহন্নবা মহাক্কী গভর্ণমেন্টতা চেকশিন ৱাহৈ কয়ারক থল্লবসু হৌজিক্তী কান্নবা ফংলরোই। মরম অসিদগী ইন্দিয়ানা মহাক্কী ডিফেন্স বজেততা চহিগী ওইনা য়ু এস দোল্লর ৫২.৫ বিল্লিয়ন থাধদুনা মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা মঙা শুবা মফম কল্লবসু ঐখোয়না থেংনগদৌরিবসি মচোয় তারক্কদবা পাঙ্গলগী অপীকপা শরুক মচেৎ খর খক্তনি হায়রি।

হৌজিক ইন্দিয়ানা মণিপুর অমদি ৱেসিয়া লমদমদা চাইথোরক্লিবা লোইলম লৈঙাক্কী পাঙ্গল অমদি লমদম অসিবু য়ুমথংনবা লৈবাকশিংগা মুক্লবা ঙম্নবা লাংবন ওইনা শেমগৎলক্লিবা অফোংবা লানগী থৌরাংশিং ঐখোয়না উরে। অদুগা ঐখোয়না চথুগদবা লান্না অতোপ্পগী পাঙ্গলশিং চীংশিন্দুনা য়াওহনবা, নত্রগা অতোপ্পগী পাঙ্গলগা ইন্দিয়াগা মুক্তরকপা মতমদা মতেং পাংশিন্দুনা ঐখোয়গী পাঙ্গল ওন্থোকপা, হায়বসিনা ঐখোয়গী লানগী লাল্লোং ওইরিবনি। মসিনা অপীকপা অমদি পাঙ্গল শোনবা লৈবাক মণিপুরগীদি নিংতম্বা হঞ্জিন্নবা লাঞ্জংগী মপুং ওইবা লাল্লোং হায়বদু ওইরে। মরম অদুনা মীয়াম্না ইন্দিয়াগী মচোই তারগদবা পাঙ্গল অমদি মখোয়গী হৈশিংবা মানবা লৈঙাক্লোন্দা কা হেন্না মীপাইবা পোক্তুনা ইশাবু শোন্থজহনবা অমদি পাম্বে লৈতে হায়দুনা য়েক্লবদা কোক নোঞ্জদুনা য়াশিন্নবগী মহুত্তা অতোপ্পগী পাঙ্গলবু চিংশিন্দুনা ঐখোয়গী নিংতম ঈহৌদা শরুক য়াহনবা অমদি অরোইবা থৌনা লৌশিং পূথোক্তুনা য়েক্লনববু লম্বা পাবা হায়বসিনা ঈহৌ অসিদা লৌগদবা মীয়াম পূম্নমক্কী থৌদাং ওইরগনি। থৌদাং অসি ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা ঐখোয়দা শিন্নরম্বা য়াথংনি। য়াথং অসিবু থবক্তা ওন্থোকপনা মণিপুরনা মনিং তম্বা হঞ্জিল্লক্তুনা ঈং-তপ্পা নুংঙাই-য়াইফবা খুন্নাই অমা ওইরকপা ঙমগনি। মসিগীদমক ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুশিন্দুনা চঙশিমীন্নসি হায়রি।

# 'লাইবক থিবনি'

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬(ঐচ এন এস):
তোপ খোংনাংখোংদগীনা নহারুপ তাবা ইদিগা লম্বী হায়নসু খঙনবা লম্বী অসি মায়কৈ অসোমদা লৈবা ওর্গনাইজেসন, ক্লব অমসুং মৈরা পাইবীশিংনা শেমজিনবগী থবক চথুরিবা অসিদা কৈরাও এ সিগী এম এল এগী ৱার্করনি হায়না শক্তাকচবা মীওই ২ না অথিংবা পীরম্বা অসি লাইবক থিবনি হায়না ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ুথ ক্লবনা ফোঙদোরক্লি।

ঙরাং নুংথিল ক্ষেত্রি অৱাং লৈকাইদা লৈবা ক্লব অসিনা পাউমীশিংগা উন্নবদা কে আই ৱাই সিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এম দি অলম খান্না হায়খি, মীয়াম্না চৎথোক-চৎশিন নুংঙাইনবগীদমক লম্বী শেম্বা অসিদা অথিংবা থম্বীগনু। লম্বী অসি হৌখিবা চহি ১৫ রোমগী মমাংদগী অশুক্কী মতিক ফিভম শোকপা লম্বী অমা ওইদুনা লাকই। লমদম অসিগী ক্লব মৈরা পাইবী অমদি ওর্গনাইজেসনশিংনা পুন্না হোৎনদুনা লম্বী অসি শেম্বা হৌবনি হায়খি।

# ফেষ্টিভেল লোইশিনখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি২৬(ঐচ এন এস):
মিনিষ্টি ওফ কলচর ন্যু দিল্লিগী কলচরেল ফঙ্কসন এন্দ প্রদক্সন গ্রান্ট স্কিমগী মখাদা পিপলস সোসিও কলচরেল ওর্গনাইজেসন, নিংঙোম থোং নোংমৈকাপ্পম লৈরক্লা শিন্দুনা নুমিৎ মঙানি চুপ্না চথুরকপা মণিপুরী ফোক ডান্স ফেষ্টিভেল লোইশিনবগী থৌরম ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা কলচরেল ট্রুপ কয়াগী নাৎকী জগোয় উৎপগা লোয়ননা নিঙোমথোং মেলা লম্পাক্তা লৈবা ই এম দি য়ুগী হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা জে এন মণিপুর ডান্স একাদেমীগী প্রধান গুরু ওইরিবা অরাম্বম তোম্বীনৌ, মেলা লম্পাক হায় স্কুলগী হেড মাষ্টর দব্লিয়ু নাগেশ্বর অমসুং এল রাজেন গুরু থাং-তা, পান্থোইবী থাং-তা অমসুং জগোই শিংদম শঙলেন্না চীফ গেষ্ট, প্রসিডেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।